হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ০৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১২৯শুবা মশীং

# মণিপুরগী শেন্মীৎলোন

## শন্দ্রেম্বী মমাদৌনা ঙক য়ৌরব্রা

মণিপুরগী রিসোর্স করিমত্তা লৈতবা নত্তে, লৈ। অদুবু লৈজ রিবদুনা মথৌ তারকপা অহোবশিংগী মনুংদা অমা খক্তা ওইরবসু মেনখৎচবা কোন্নদে। য়াম্না নেম্মী। অদুনা লৈতবগা পাঙ্খক ওইবনা লৈতে হায়বা য়াবগী ৱানি। মরম অসিনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না চহী-চহীগী থুংবিরকপা চাকথুংদুগা মতম-মতমগী ওইনা লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক পায়খৎলকপা স্কিম/প্রোজেক্টশিংগী কান্নবশিং খক্তমক মীয়ামদা ফংহনবা নত্তনা অতোপ্পা পান্বে লৈরক্তবনি। ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ফীভমসি মীয়াম্না মুন্না, শিং-নান্না খঙই। অদুনা ষ্টেট লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়ামগী অনৌবা য়াইফ-থৌশিল, থৌরাং কদাই ফাওবা কয়াম য়াম্না তৌবা ঙমগদৌরিবগে? চিন্দা পঙহায়দা হায়বদুনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইবগী, লৈঙাক খূৎপায়নবগী হায়বগী ৱানি। শেন্মীৎলোন্দদি থাঙনা য়াল্লবা ফাওবদা মোরোক মরূ ফাওবা চোঙথোরক্লোই হায়বদুগী ফীভমদা লৈরবনি। শন্দ্রেম্বী মমানা মচানুপীদা ‘ইবেম্মা, ইমাদি ঙক য়ৌরে’ হায়বদুগী ফীভমদা লৈরবনি হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাহৈ ওইররোইদবনি। মসিগী চপ চাবা খুদমশিং কোকথোং অমা লৈ। অদুবু লোইনা কোথোক্লুদ্রবসু লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা অয়াম্বা লোয়শঙগী থৌমীশিংগী খূৎশুমল (থাগী তোলোপ) পীথোকপা ঙমদবা, থা কয়া শোৎচিন্দুনা লৈরকপা অমসুং চহী কয়া সর্ভিস তৌহন্দুনা শীজিন্নরক্লবা থৌমীশিংগী মরক্তগী সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মখোয়গী পীথোকফম থোকপা রিটাইরমেন্ট বেনিফিটশিং পীথোকপা ঙমদবা অসি খক্তুংনা মতিক চারবা মরমনি হায়নীংই। হায়রিবা শেনফমশিং অসিসু নৌহৌননা, পুমনৌ-নৌনা পীগদবসু নত্তে। হান্নদগী পীদুনা লাকপনি। মখা তানসু পীননবা এয়রমার্ক তৌদুনা থমখ্রবনি। অদুগা পীথোকপা ঙম্লক্তবনি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকপননি হায়দুনা লায়না লাইচৎসিদা লোইনা তাইশিনবা য়ারোই, চুমসু চুম্লোই।

অদুবু অরেং-অরেং পুত্থবগী ফীভমসি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা শেন্মীৎলোন্দা ওইরক্লিবা অসিগী মরম শোয়দনা লৈগনি। মরম লৈতনা ফীভমসি ওইরকপা য়ারোই। ওইহল্লকপা মরী লৈনবা মীওইশিংসু লৈগনি। মসিমক্না করপসন ফ্রী ওইহনগনি, ট্রান্সপরেন্সি লৈহনগনি, একাউন্টেবিলিটি লৈনা থবক পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফমশিংসি চিনে দান-লৈতোন্দা পল্লকপা মাল্লি। অদুবু শেন্মীৎলোন্দা শেন্দোননা খ্বাং কোয়দুনা খৌরি য়ৌনা পুত্থবগী মরম ঈফুৎশিং থিংজিন্দনা অদুম মখা-তানা চত্থরগা ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈনা চলাইগনি হায়বা ঙাক্তনা য়াগদবা মান্দে। য়াসু য়ারোই। ঙক য়ৌনা থুমজিনহল্লক্তনবা অহোবা ঈফুৎশিং হান্না মেনশিনবা চুমগনি। ঈফুৎসু খজিক-খরাক্তা ওইরমগদবা মান্দে। শোয়দনা য়াম্লগনি। মরমদি শেল-থুমগী ফীভমসি ওন্থোক্না শাথীনা শোকচিনখ্রে। খাঙেনফম য়ৌরে হায়বা ফাওবা য়ারে। অদুবু মসিবু থবক্তগী পোত্থারবা মীওই খুনপাক অমগী মহুত্তা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা থবক তৌহৌগদবা মীওইশিং লৈনা লৈনা সর্ভিস মতম এক্সটেন্দ তৌ-তৌদুনা থবক তৌহল্লকপদগী অনেকমল ময়াম চৎখিবা অসিনসু মরু ওইবা মরম অমা ওইরোইদ্রা? এমপ্লোয়ী অমা থবক্তগী পোত্থাখ্রে, ফরে। মহাক্কী সর্ভিস মতম লোইবদগীনি। মহাক্কী মতম লোইখ্রবনিনা মহাক্কী থবক্তু মখা থারম্বা এমপ্লোয়ী অমদা পুহল্লগদবা নৎত্রা? মসি ওইরগদি অহেনবা অনেকমল তিংখিগদ্রা? নাতৈ চাদনা মীয়োক মীচান ফবা চুমদে। থৌওংসি সুম চত্থরক্লবদি নাম্মৈ শম্নবা চরূ ফাওবা লৈরক্লোই কো।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১) **“পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)”** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **“মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“মেহরু”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।


ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# উনশাদা নপশিনবা য়াবা ‘অলত্রাসাউন্দ ইমেজিং’ ষ্টিকর

## (লাইওং লেপ্পগী থৌওংদা হেন্না লায়থোকহল্লকপা)

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**



ষ্টাম্পমুক্তা পাকপা, পুং ৪৮ চূপ্না সাউন্দ ইমেজিং তৌবা ঙম্বা ষ্টিকর




উনশাদা কন্না নপশিল্লবা ষ্টিকর

হৌজিক্তি পীবুক্নুংদা লৈরিবা, পোক্ত্রিবা অঙাং ফাওবা অলত্রাসাউন্দ ইমেজিংগী কান্নবসি ফংলে। অঙাং অদু ফীভম চানা লৈরিব্রা, চাওবগী চাং থিন্থরিব্রা... হায়বনচিংবা খঙদোকপা ঙমহল্লে। অতোপ্পা অমরোমদনা, লায়না অমগী লাইওং চুম্না লেপ্পা হায়বসি অনা-লায়েংদা য়াম্নমক মরু ওই; লাইওং খঙদনা হীদাক পংথা থাবা হায়বসিগী কান্নবা লৈতে। লাইওং খঙনবগী পাম্বে অমা ওইনা অলত্রাসাউন্দ ইমেজিং হায়বসি শাফবা অমসুং লেন্থৎ-খোতৎপা তৌদনা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিংগী ফীভম্বু তাকপা ঙম্বা পাম্বে অমনি। অসিগুম্বা পাম্বেশিংসিনা অনা-লায়েংদা হেন্না লায়থোকহনবগা লোয়ননা হীদাক চুম্না থাবদা মতেং পাংলে। মসিমক ওইদুনসু, হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা অলত্রাসাউন্দ লৌনবগীদমক চাওরবা খূৎশু-খূৎলায় অমসুং লেব চঙই, হোস্পিটাল নৎত্রগা লায়েংলিবা ডাক্টর অমগী মনাক্তা চৎপগী মথৌ তাই। খুদোংচাদবশিংসি অনাবা খুদিংমক্না থেংনদুনা লাক্লি।

চৈরকসিদা, নুংঙাইরবা পাউ অমা লাক্লি : এম আই টিগী থিজিন লূপ অমনা ফার্মাসিদা নৎত্রগা খুল্লক্কী দুকান অমদফাওবা ফংলিবা বেন্দ-এইদশিংগুম্না ফংবা য়াবা, অদুগা উনশাদা নপ্লগা হকচাংগী মনুংদা লৈরিবা কিদনি, ফিরাক, থবোম্বী অমসুং থম্মোয়গুম্বা কয়াৎশিংগী ময়েক শেংলবা মমিশিং লৌবা য়াবা ‘অলত্রাসাউন্দ ষ্টিকর’ অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। “সাইন্স” চেফোঙ (জুলাই ২৮, ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অদুদা ‘পোষ্টেজ ষ্টাম্প’ অমগা চাওবা মান্নবা অলত্রাসাউন্দ ষ্টিকর অসিবু উনশাদা নপশিল্লগা শুংলেপ লেপ্তুনা পুং ৪৮ (নুমিৎ নীনি) চূপ্না অলত্রাসাউন্দ ইমেজিং তৌবা য়াই হায়রি।

থিজিন লূপ অসিনা মখোয়গী ষ্টিকর অসিবু চাং য়েংনবগীদমক, ষ্টিকরশিংদুবু ভোলন্টিয়রশিংদা নপশিল্লন্মী, অদুগা থম্মোয়, থবোম্বী অমসুং চাকখাওগুম্বা কয়াৎশিং অমদি মরু ওইবা ঈ উতোংশিংগী হায়-রিজোল্যুসন ইমেজশিং উবা ঙম্লন্মী। ষ্টিকরশিং অদু ভোলন্টিয়র অদুনা ফম্বা, লেপ্পা, ৱাকিং চৎপা (জোগিং) অমসুং গাড়ীনচিংবা থৌবগুম্বা থবকশিং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা কয়াৎশিংদা করম্বা অশোয়-অঙাম থোরকপগে হায়বদু উহনবা ঙম্নবগীদমক উনশাদা য়াম্না কন্না নপশিনহল্লি।

হৌজিক ওইরিবা ষ্টিকরগী দিজাইন অসি শীজিন্ননবগীদমক কয়াৎশিংনা থক্তোরল্লিবা সাউন্দ ৱেভশিংদুবু মমিদা ওন্থোকপা ঙম্বা খূৎশু-খূৎলায়শিংগা শম্নবগী মথৌ তারি। থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা, ষ্টিকরশিংদু খুদক্তা শীজিন্নবা য়াই হায়রি। খুদম ওইনা, থম্মোয়গী ফীভম্বু য়েংশিল্লিবা EKG (ECG) ষ্টিকরশিংগুম্না, লূপ অসিগী ষ্টিকর অসিনা হোস্পিটালদা লৈরিবা অনাবা অমগী কয়াৎশিংগী ফীভমশিংদু মতম কুইনা, টেক্নিসিয়ন অমা য়াওদনা য়েংশিনবা য়াই। ‘ৱায়রলেস’ ওইনা শীজিন্নবা য়ারবদি, অলত্রাসাউন্দ ষ্টিকরশিংসি লায়েংলিবা ডাক্টরনা নারিবা মীদুগী উনশাদা নপশিল্লবা তুংদা, য়ূমদা হলহনখিবা নৎত্রগা অনাবদুনা ফার্মাসিদগী লৈজরুবা ফাওবা য়াই। অদুনা এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা মখোয়গী ষ্টিকরসি ৱায়ারলেস ওইহনবা ঙম্নবগীদমক থিজিনবগী থবকসি মখা তানা চত্থরি। এম আই টিদা মেকানিকল ইঞ্জিনিয়রিং, সিভিল এন্দ ইনভাইরনমেন্টল ইঞ্জিনিয়ারিংগী প্রোফেসর ওইরিবা Xuanhe Zhao না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ষ্টিকরশিংদু হকচাংগী মফম খরদা নপশিল্লবা মতুংদা, আর্টিফিসিঅল ইন্টলিজেন্স (এ আই) অলগোরিদম শীজিন্নরগা স্মার্টফোন অমগী মতেংনা পাল্লিবা মমিশিংদু ফংহনবা ঙম্মী হায়রি।

মশাগী হকচাংগী অলত্রাসাউন্দ লৌখ্রবা মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমদি : টেক্নিসিয়ন অমনা অলত্রাসাউন্দ লৌনবগীদমক, অহানবদা উনশাদা জেল অমা তৈশিল্লি। প্রোব নৎত্রগা ট্রান্সদ্যুসর অমনা জেল অদুদা নমশিল্লকপগা লোয়ননা সাউন্দ ৱেভশিং হকচাং মনুংদা থাজিনখি, অদুগা কয়াৎশিংদুনা ৱেভশিংদুবু মওং কয়াদা থক্তোরল্লবা মতুংদা প্রোব নৎত্রগা ট্রান্সদ্যুসর অদুদা য়ৌরকই। অসুম্না থক্তোরক্তুনা ট্রান্সদ্যুসরদা য়ৌরল্লিবা ৱেভশিং অসিবু মোনিটর অমনা মীৎনা উবা মমিশিংদা ওন্থোকই।

অনাবা মী খরদদি ইমেজিংসি মতম কুইনা তৌবগী মথৌ তারকপা য়াওই; অসিগুম্বা তাঞ্জাদা হোস্পিটাল খরনা প্রোব অদুবু রোবোটিক আর্মশিংদা ফাজিনহল্লি অদুগা ট্রান্সদ্যুসর অদুবু মতম কুইনা লেঙহন্দনা থমহল্লি, অদুগা ইমেজিংদু পাঙথোকই। মসিগীসু খুদোংচাদবা অদুম লৈ, উনশাদা তৈরিবা জেলদু চেন্থোকখি অদুগা মতম খরগী মতুংদা অমুক কংশিল্লকই; অদুনা ইমেজিংদু অমুক লেপ্পা তারকই। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা, থিজিন লূপ খরনা চিংথোক-চিংশিন য়াবা অলত্রাসাউন্দ প্রোবশিং পুথোক্লরকখ্রে। অদুবু মখোয়গী খূৎলায়শিংদুনা লৌরকপা মমিশিংদুগী রিজোল্যুসন্দু য়াম্না হন্থরম্মী। মসিগী মরমদি চিংথোকপা য়াবদুনা মরম ওইরগা, হকচাংনা লেঙ ওৎলকপা মতমদা ট্রান্সদ্যুসরশিংদুগী লৈফমশিংদু হোংদোক-হোংজিন তৌরকই, অদুনা মমিশিংদু শেংহনবা ঙমদে। অদুবু এম আই টিগী উনশাদা নপ্পা য়াবা অসিদদি অসিগুম্বা খুদোংচাদবসি থোক্তে হায়না গ্রেজুএট মহৈরোয় Chonghe Wang না ফোঙদোক্লি।


এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা পুথোরল্লিবা অলত্রাসাউন্দ ষ্টিক অসিনদি রিজোল্যুসন ৱাংবা মমিশিং মতম কুইনা শেম্বা ঙম্মী। মরমদি মখোয়না ট্রান্সদ্যুসরশিংগী লেংথোক লেংশিন য়াদবা মওং অমগা লোয়ননা চিংথোক-চিংশিন য়াবা এধিসিভ (নপশিন্নবা পোৎ) কা পুনশিন্নহল্লি। অসুম্না পুনশিন্নবসিনা খূৎলাইদুনা উনশাদা চেংনা ফাজিল্লি অমসুং ট্রান্সদ্যুসরশিংগী মফমদু হোংহন্দনা থম্বা ঙমদুনা ময়েক শেংলবা মমিশিং শেমহল্লি।

এধিসিভকী মরোল অসি সাউন্দ ৱেভশিংবু ইরায় লায়না চঙহনখিবা ঙম্বা মপং ওইবা হায়দ্রোজেলগী ময়ায় থংবা মরোলবু কুপশিল্লিবা ইলাষ্টোমর (চিংথোক্লুরবা মতুংদা হান্না লৈজরম্বা ফীভমদা হঞ্জিঞ্জবা ঙম্বা পোলিমর) গী অপাবা মরোল অনীদগী শেম্বনি। হৌজিক হৌজিক অলত্রাসাউন্দ লৌবদা শীজিন্নরিবা জেলশিংগা মান্নদবা মওংদা, এম আই টিগী হায়দ্রোজেল অসিদি ইলাষ্টিক ওই অমসুং চিংথোক-চিংশিন য়াই। অসিগুম্বা ইলাষ্টোমর অসিনা হায়দ্রোজেল অদুবু কংশিনহন্দনসু থম্মী। অদুনা চোৎ-চোৎ লাওদুনা লৈবনা সাউন্দ ৱেভশিংনা হকচাং মনুংদা নিংথিজনা চঙখি অদুগা কয়াৎশিংগী রিজোলুসন ৱাংবা মমিশিং শেম্বা ঙম্মী হায়না এম আই টিদা পোষ্টদোক ওইনা লৈরিবা Xiaoyu Chen না ফোঙদোক্লি।

ইলাষ্টোমরগী মখা থংবা মরোল অসিনা উনশাদা নপশিনহন্নবগীনি অদুগা মথক থংবা মরোল অসিনা ট্রান্সদ্যুসরশিংগী লেংথোক-লেংশিন য়াদবা মওংদুবু ফাজিল্লি। হায়রিবা অলত্রাসাউন্দ ষ্টিকর অসিগী পাক চাওবসি স্কৱার সেন্টিমিটর অনীমুক্তনি, অদুগা থাবগী চাংনা মিলিমিটর অহুমখক্তমক ওই, হায়বদি মসি পোষ্টেজ ষ্টাম্প অমগা পাকপা মান্নে।

মতাংসিদা পনবা য়ারিবদি, লূপ অসিগী ষ্টিকর অসি অপীকপা বেট্টরি অমনা চলাইবা ঙম্মী। থিজিনবদা শরুক য়াখিবা ভোলুন্টিয়রশিংগী ঙক, থবাক, পুক অমসুং পাম্বোম য়াওনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নপ্তুনা চাং য়েংখি। মতমদুদা ষ্টিকর অসিনা পুং ৪৮ চূপ্না উনশাদা নপ্তুনা লৈরগা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিংগী ময়েক শেংলবা মমিশিং শেমহনবা ঙম্লন্মী। মতম অসিদা, ভোলুন্টিয়রশিংনা লেবতা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পাঙথোকখি - ফম্বা অমসুং লেপ্পা, জোগিং, গাড়ী থৌবা অমসুং অরূম্বা থাঙ্গৎপনচিংবা।

ষ্টিকরশিংদুনা পীরকপা মমিশিংদু য়েংলগা লূপ অসিনা মীদুনা ফম্বা অমসুং লেপ্পা মতমদা মরু ওইবা ঈ উতোংশিংগী চাওবগী চাং (দাইএমিটর) দা হোংলকপশিংদু খঙবা ঙম্লন্মী। থম্মোয়না শাজেল তৌরিঙৈ মনুংদা মহাক্কী মওং-মতৌদা হোংলকপশিংদুবু খঙবা ঙম্লন্মী। ভোলুন্টিয়রশিংদুনা হৈ মহী থকপা মতমদা চাকখাওনা চাওথোরকপা অদুগা মদুনা চাকখাওদগী ইন্টেষ্টিনলোমদা চঙখিবা মতমদা চপশিল্লকপা অদুবুসু য়েংবা ঙমখি হায়রি। অতোপ্পা অমরোমদনা ভোলুন্টিয়রশিংদুনা অরূম্বা থাঙ্গৎপা মতমদা, থবক্তুবু পাঙথোকহল্লিবা মসলশিংদা লংখৎলকপগী শক্তম অমা লূপ অসিনা থেংনখি। মসিনা মতম খরগী ওইনা মসলশিংদা খজিক্তং শোল্লকপদু তাক্লিবনি। অদুনা কনাগুম্বা অমনা কয়াম কুইনা শাজেল তৌবদা মাগী মসলশিংদু হেন্না শোকচিনখিবা য়াবগে হায়বদু খঙদোকপসু ঙমহল্লগনি হায়না Chen না ফোঙদোক্লি।




ঙক্না ৩০° ওই অমসুং য়েৎলোমদা লৈবদা অলত্রাসাউন্দ ষ্টিকর অসিনা লৌরকপা মমিশিং

থিজিনবা অসিগী মখা তারকপা ওইনা, লূপ অসিনা মখোয়গী সিষ্টম অসিবু ৱায়রলেস ওইহন্নবা হোৎনরি। ষ্টিকরশিংগী মমিশিংদুনা পীরল্লিবা ইনফোর্মেসন অদুবু হেন্না মমুৎ তানা খঙবা ঙম্নবগীদমক এ আইদা য়ূম্ফম ওইবা সোফটৱেয়র অলগোরিদম অমসু শেমগৎনবা হোৎনরি। থবকশিং অসিনা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্লকপা মতমদদি, অলত্রাসাউন্দ ষ্টিকর অসিনা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিংগী ফীভম য়েংশিনবখক্তা নত্তনা ট্যুমর (কেন্সর) না কদাই ফাওবা শন্দোরল্লবা, লোয়ন-লোয়ননা অঙাং খাউদা লৈরিবা নৱা (ফিটস) শিংনা চাওখৎলকপগী মওং-মতৌবুসু টেক্নিসিয়ন য়াওদনা য়েংশিনবা ঙমহল্লগনি হায়রি। ●

## — এদিটরদা থারকপা চিঠি —

### খরা মখৈদি তৌবীরনু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবা খুদিংমক শিবগী তাং, নুমিৎ, থা মান্নরবদি করম তৌগনি? মীওইবা খুদিংমক্কী ৱাখল মান্নদবগুম খেন্নবা হায়বসিমদি অদুমক লৈরগদবনি। মসিবু মান্ননবা শিনবা ঙম্বা লাই খঙদে, মীওইবা খঙদে অমত্তা লৈগদবা মান্দ্রবনি। নুংঙাইরিঙৈগী মতমদা লাইবু নীংশিংদ্রগা ৱারল্লবা অনা-অয়েক নংলল্লবা মতমদনা ঙাকথোকপীনবা, কনবীনবা লাইনীং পরৈ চেৎতুনা অজা-পুজা তৌবগী থাজবা ওইরকপা হৌনশা নত্তে করম হায়গনি। পুবা থাংবা ঙমদ্রবা মীওইবগী ৱাখল ময়ামসিবু অপাম অপাম্বদুবু মানা মানা নীংজরিবা লাই অদুনা থুংহনবা ঙম্লবা কনা অমত্তা অৱাৎ অপা লৈররোই। লাই নীংলবসু অপাম্বা অনীংবা বর ফংহনবীনবা পৈশা ময়াম অমা চঙনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা খুদিংমক হেক্তমক ফংগদবা থুংগদবা নত্তে। উখোং তেন্দা ঙারগা নীঙাইবা লৈতনা অতিয়াদা থোক্লিবা থাজ মাবু য়েংলগা মথেল ময়াম অমগী ৱাখল খনবা লোইনমকপু ফংলবা মালেমগী মনুংদা মহাক নত্তনা... কনা অমত্তা লৈররোই। ৱাখলসিদি মপান নাইদ্রবা সমুদ্র ফাওবা শিৎতোল্লগা মদুদা লৈরম্বা অচৌ অচৌবা ঙা ময়াম, মচা মচা ময়াম কিলো ওল্লগা অচৌ অচৌবা মীয়াম তিনবা কৈথেলদা য়োনবদা পৈশা ওন্থোক্না পায়খ্রগদবা হায়বদু নমদনা ওইদনীংঙাই লৈরোই। ৱাংলবা শ্রী রাবননা সনাগী কৈরাক থাগে হায়দুনা খঞ্জরম্বা শোরারেন য়ৌনা থারমদবা ঙম্লম্বসু য়াই ঙমদবসু য়াই, ৱারীগী ৱারী হায়বদুনি। মীওইবা খ্বাইনা লুনা খনগদবসি অতৈ করি অমত্তা নত্তে, থবক ওইনা পাঙথোকপসিনি। থবক ওইনা পাঙথোল্লকপা কান্দা, মতমদা তশেং-তশেংবা মগুণ লাক্তনিংঙাই লৈরোই। থবক মানবু লৈরিবমখৈ কনা’মতা লম্বী সরক্তা ঙাওচৎননা চৎপা থিবদা খরা ৱানা থোক্তনিংঙাই লৈরোই। থবক্লবু লৈত্রবা অদুগুম্বা মীওইদু মশানা খঙনা থবক্তা চিলহাও থিদনা অফংবা থবক অমা হেক্তা তৌগদবনি খনবদা মহাকপু কনানসু করিসু হায়রল্লরোইদবনি। ৱাথী ঙাঙবা, ৱারেম শুবা মীওই অমা ওইবদা ইরায় লায়না অদুমক ওইরগদবনি। থবক লৈতবা মীনা তোকা থিদবা মখৈ কৈরোই লৈকায়গী, য়ূমথংনরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অদুনি অদানি হায়দুনা ঙাঙন-শক্নবা মসিগুম্বসি য়াওরিবনি, লৈরিবনি।

হুরান লোন্নাগী থবকসিদা মাইরোং য়ারমগদৌরিবসি অতৈ কনা অমত্তা ওইরম্লোইদবনি। থবক লৈতবা মীওই অদুতা অদুমক ওইরল্লগদবনি। থবক লৈবা অমসুং লৈতবা হায়বসি অতৈ করি’মতা নত্তে। মশা মশাদা অদুমক ওইগদৌরিবনি। থবক লৈনবগীদমক থবক্তা চিলহাও থিরবা, অপাম্বা থবক্তু ফংদ্রবদি করি তৌবা তাবা? মসিমক মীওইদুনা মুন্না খন্থবা দরকার ওইরবনি। লাইরিক লাইশু হৈরগা ঐদি অদু তৌগদবনি, অদা তৌগদবনি হায়দুনা করিগুম্বদা মায় পাক্ত্রবদি করি তৌবা তাবা? ত্রাই ত্রাই অগেন... মসিমক লাইৱা ওইনা শীজিন্নবা তাব্রা? হোৎনগদবনি মীওইবদি হোৎনবা হেক লেপ্পদা অনীংবা অপাম্বদু নমদনা খঙহৌদনা উনা-উনা মশোং লৈখিগদৌরিবনি। তৌবগীবুদি শুবা নোম্বা ঙাক্না মওং মরীল তানা হিংগদবনি হায়বা য়াবা নত্তে। নোম্বা কনবা হায়বগী ফজখ্রবা ৱারী লৈনরিবনি। মচিঞ্জাক খুনবা হৈত্রিবা উচেক ৱায়াশিংনা মপিনা মচিঞ্জাক ইনবা ঙাইদুনা লৈবা, চাওবা মপূং ফারল্লবা মতমদা মশা মশানা মচিঞ্জাক থিজদুনা হিংনবা হোৎনবা ঙসি ঙরাংগী নত্তে। ফনা কুইনা লৈরল্লবনি। তাইবঙ মীওইবদি শুবা নোম্বা কল্লবা মশা মশানা শামুমুক চাওবা, মপাঙ্গলনা কনবা য়াবা মখৈ কল্লবা অদুগুম্বা মচা অদু ফাওবা মমা মপাগী মতেং ঙাইদুনা হিংলিবা মসি মুন্না খল্লুরবদি অচুম্বা হায়বদুমা ওইরোইদৌরিবনি। লাইরিক তমগেরা তমলোইরা চাওবা শারেপ ফারবদি ‘ঐসু ইমা ইপাগী অঙম্বা মতেং খরতা ওইরবসু পাংগনি’ মসিমক খল্লবা মচাদু লেম্না খক মাঙগদবা নত্তে। শুরু শুরু নৈবা মখৈ মমা মপাদগী লৌথোক্কনি খল্লিবা মচা অদুনা মমৈদা করি লইরকপা শোয়দনমক্কী নীংঙমদবা লাক্কদৌরিবনি।

ঙসিদি কদোমদা চৎখ্রবনো নোং ঙালে খঙনবা ক্বাক্না লানপাউ চেল্লম্বা, চরোইনা তেতু খোংলম্বা কদোমদা মাঙখ্রবগে? খঙদবা মখৈ উতিংবগুম লৈতে করম হায়গনি? মশা মশাগী ইঙ্খোলদা উহৈ ৱাহৈ কয়া থাদুনা তেনৱা কৌবী চেক্লোনা পাইরক্তুনা মচিন্না চিক চিক্তুনা অমুন অমুনবা খন্দুনা চাজরম্বা ঙম্নমক মাঙখ্রবনি। ৱারী ওইনা তৌরুবদা হৌজিক্কী মীরোলনা থাজবা খরদি ৱাৎলগদবনি। খুলগী লৈকায়গী ওইনা ষঞ্জাবুং ওইনা থম্বা কয়া অমসু লৈশিল্লক্তবা অহাঙবা মফম মাঙশিল্লকপা চহী খরগী মতুংদদি মৈখেৎ উপু অমগী মনুংদা মচৈ য়াংখৈ য়াওবদা উপুদু পীক থনবগুম খুদিংমক্তা মীগী মী ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্কদৌবা, মসিবু লাল্লিদা হায়গদৌরিবা মীওইসিবু কনানি হায়গদৌরি। অচুম্বা তৌবনা খ্বাইদগী ফৱবা লম্বীনি হায়না থাজরম্বা মীওই কয়া অমসু পামদ-পামদনা অরানবা লম্বী চৎতুনা হিংদবা য়াদনা হিংনবা য়াওদবা লৈতবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমসিদা মীনুংশি থৌজাল হৈবা, পুকচেল চাওবা, মশাগী ওইজবা তান্দবা কখোকপদা হালেংবা লৈত্রবা... কনানি হায়গদৌরি? মতম অমদা লায়ররসু লায়রনা ষণ লোয়বা হায়বসি চৎনবী অমা ওইনা তৌনরমদে হায়বা য়াগদবা নত্তে। ৱাইশিৎ ৱাইরম তৈবদা ষষ্থি শীজিন্নরম্বা অদুগুম্বা ষষ্থি অদুমক হৌজিক্তি ষণ কা হেন্না লোয়দ্রবনিনা থিবদা অৱাবা ওইনরবনি। লোয়বা তারবসু শঙ্গোল নাইনা থমদুনা ষণদুনা কারকপদা মানা চাজনবা দানা, থাওথি, চরূ, নাপি অশংবা কক্তুনা থম্বীরল্লিবনি। পূম্নমক ষণগীবু চানবা হোৎনগদ্রা? মীনবু চানবা হোৎনগদ্রা? অৱাবা অমা ওইরবনি। মতম খরা লৈরবদি ষণগী ষষ্থি ফাওবা কৈথেলদা কিলো ওন্দুনা লৈনরক্কদৌরিবনি। মাসু, নঙসু, মখোয়সু পূম্নমক তাইবঙ মীওইবা ওইনা পোক্লবনিনা শিবা হায়বসিমা শোয়দ্রবনি। খোংকুৎলাই চুদনবা হোৎনরবা মসিবু কাউদ্রবা কনাসু ফত্তনা খনবা ঙম্লরোইদবনি। মালেমসিগী মনুংদা লৈরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী শিংবনি হায়নরিবা তাইবঙ মীওইবনা খ্বাইদগী ফত্তবা, খ্বাইদগী ফবা ওইরম্লে। মীৎনা উনা উনা মীওইবনা মীওইবগী মাঙনবা শিনবা মশীং কয়া অমা লৈখ্রবনি। থিদুনা লোইবা নাইররোই। হিংলিঙৈদনা অরানবা ময়াম অমা তৌরগা শিরমদাইদা অচুম্বা তৌবা মসিমা ফত্তবা হায়বদু ওইররোই হায়বা য়াবা নত্তে। পূম্নমক শিরবা মতুংদা খঙলগদবনি।

**অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল**

### দেল্লীগী সিনিয়র সিভিল জজ ১ করপসন এক্টকী মখাদা সী বি আইনা ফাবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

থা অসিগী ১গী অয়ূক অঙনবদা হুইয়েন লানপাউ পাউচে পারুবদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা ন্যু দেল্লীগী টিস হাজারি কোর্টকী সিনিয়র সিভিল জজ (ৱেষ্ট) ওইরমখিবী রচনা টিৱারি লখনপাল, মপুরোইবা অলোক লখনপাল, এদভোকেট অনীমক কুমজা ২০০৬কী জুলাইদগী ২০১৬কী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২.৭৭গী ওইবা ইনকমগা চান্নদনা লন-থুম লেপশিল্লন্মী হায়বগী চার্জদা ফাজিনখি। হায়রিবা হুইয়েন লানপাউগী হেদ্দিং অসিনা ঙসিগী মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিং অমদি মমা মপা ওইবশিংদা অনৌবা মঙাল অমা পীরে।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিং পুরেল ওইরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মরূ ফংনা মূত্থৎকনি হায়না লাউথোকখিবদা মীয়াম্না হরাও-তয়াম্না লৈরিঙৈগী চৈরক্তা হুইয়েন লানপাউগী থা অসিগী ১গী চেফোঙগী হেদ্দিংদা দেল্লীগী সিনিয়র সিভিল জজ অমা করপসন এক্টকী মখাদা সী বি আইনা লৌখৎলল্লিবা খোঙথাং অসিদা মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা চহী কয়া করপসননা মরা তাদুনা লৈরবা লমদম অসিদা সেন্ট্রেল এজেন্সী সী বি আই অমদি এন্টি করপসন সেলগী ইন্টিলিজেন্স শীজিন্নদুনা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অচৌবা-মচা অমদি মশাগা ইনকম চান্নদবা ব্লেক মনি কয়া তানশিন্দুনা ইন্দিয়াগী কেপিটেল ন্যু দেল্লী, অচৌবা সহর, মণিপুরগী কেপিটেলদা অরোনবা লন-থুম পৈশিল্লিবা অসি থিগৎতুনা আইন্না য়াদে হায়বা পাড়া তম্বীরক্কনি হায়বগী থাজবা অমা মণিপুর মীয়াম্না ঙাইনরি।

***অদোমগী - এন মঙ্গি,*** এক্স মিনিষ্টর, কুম্বী

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।